# ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা কার্গো ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম লমথাখ্রে



**মাজুলি, দিসেম্বর ৩০ ঃ**
অৱাং নোংপোক লমদমগী ৱার্তর ৱে ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা য়ুনিয়ন সিপিং মিনিষ্টর নিটিন গৎকারিনা ইরাই নুমিৎতা ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা কার্গো চখোক চৎশিন তৌনবগী থৌশিল হৌদোকখ্রে।

ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মথক্তা থোং মঙা শাননবা থৌশিল পায়খৎলি। জোরহাট অমসুং নেমাটিগাথ শম্নবা অমদি দিসাংমুখা অমসুং টেকেলিফুটা, লোৱিট অমসুং খাল্লু, নুমলিগর অমসুং গোপুর অমদি অৱাং থংবা গুৱাহাটি অমসুং গুৱাহাটিগা শম্নগদবা থোংশিং শাননবা থবক পায়খৎলি হায়না ঙসি কার্গো ৱার্তর ট্রান্সপোর্ট লমথাবগী থৌরমদা নিটিন গৎকারিনা মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

তুরেল অদুদা ফেরিস সার্ভিস লৈহন্দুনা মীওইশিং অতোপ্পা মফমশিংদা পুথোক পুশিন তৌননবা থৌশিলসু লৈরে। অথুবা মতমদা অহেনবা ফেরিশিং মথৌ তৌহল্লগনি হায়খি।

মতমগা চুনবা অমসুং অফবা মচাক মথুমশিং য়াওবা হিশিং তুরেল অদুদা সার্ভিস তৌহন্নবা থবক পায়খৎলি। লৈবাক অসিনা ট্রান্সপোর্টকী লমদা পায়খৎপা অনীশুবা থৌশিল অমা ওইনা ঈশিংগী লম্বীশিং হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনরি। গুৱাহাটিগী পান্দু থোংদা ধুব্রি ফাওনা চত্তুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল ফাওবা চৎপগী লেন্দ ট্রান্সপোর্টকী অশাংবা অদু ঈশিংগী লম্বীদা চত্তুনা তেনশিনহন্নবা থৌশিল লৈরে।

ব্রহ্মপুত্র তুরেলনা অসামগী অৱাং থংবা শরুক অমসুং ধুব্রি ফাওনা চেনবগা লোয়ননা কিলোমিটর ৮৯১ শাংবা লম্বী পরীং তেনশিনহন্ননবা মমাঙদা পায়খৎলম্বা থৌশিনশিং থবক্তা ওহোক্লবা হোৎনরি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না লৈবাক মনুংগী ওইবা ঈশিংগী লম্বীদা পোৎ পুখোক পুশিন তৌবনা পোৎলম কয়া লেন্দ ট্রান্সপোর্টতা পুবদা চঙবা শেলফমদগী হন্থগনি। মরম অদুনা লৈবাক মনুংগী ওইবা ইনলেন্দ ৱার্তর ৱে ট্রান্সপোর্ট ফগৎহন্নবা থৌশিল পায়খৎপনি।

গৎকারিনা ঙসি মাজুলি ঈথৎপু ঈশিং ঈচাও অমসুং লৈরাই চাশিনবদগী ঙাথোক্লবা পায়খৎপা থৌশিলগী যাত্রাসু হুনখি। ব্রহ্মপুত্রা বোর্দনা অৱাংবা থাক্তা থবক তৌবা য়াননবগীদমক লুপা ক্রোর ২৩৩.৫৭ কায়থোক্লে। মেম্বরশিং অদুনা মালেমগী ওইনা তুরেলগী খ্বাইদগী চাওবা ঈথৎ অদুদা হৌজিক ওইরিবা লৈরাই চাশিনবগী ফিভম য়েংশিনবগী খোঙচৎ অনীরক পাঙথোকখ্রে।

মাজুলি দিষ্ট্রিক্ট কিলোমিটর ১,২৪৫ পাক চাউরি। মদুগী মনুংদা মাজুলিগী ঈথৎ য়াওনা অপীকপা ঈথৎশিংসু কোনশিল্লি। ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী খা থংবা তোর্ব্বান্না সিবা সাগর অমসুং জোরহাট দিষ্ট্রিক্টশিংগা শম্নরি। অসাম লৈঙাক্লা মাজুলি ঈথৎতা ইরোজন থোকহল্লিবশিং অদু লাকশিন্নবা থৌশিল কয়া পায়খৎলি। ইরোজন থোকহনবগী মরু ওইবা মরমদি ইচাউ তোইনা থোকপনা ওইরি হায়রি।

# জোর্জ ৱেহ লিবেরিয়াগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে



**মোনরোভিয়া, দিসেম্বর ৩০ ঃ**
লিবেরিয়াগী হান্নগী ফুটবোল শান্নরোই জোর্জ ৱেহ লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীখলদা জোর্জ ৱেহনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা জোসেপ বোকাইদগী ভোট চাদা ৬০ হেন্দুনা মায় পাকখি। জোর্জ ৱেহ মায় পাক্লকখিবদা মহাকপু শৌগৎপা মীওই কয়ানা লৈবাক অদুগী কোনুং মোনরোভিয়াদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে।

অফ্রিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা লিবেরিয়াদা নুপী প্রসিদেন্টনা লৈঙাক পায়খিবা মতূং লুচিংবা অদুনা নৌনা লৈঙাক পায়নবগী খুদোংচাবা ফংলে। লিবেরিয়াগী অহানবা দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা লুচিংবা অদুনা লৈঙাক পায়ননবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে হায়রি।

জোর্জ ৱেহনা ট্যুটরদা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্না লৈবাক অদুগী মরু ওইবা থৌ পুরগনি হায়না খঙলকখিবা মীকুপ অদুদা পুক্নীং নুংশিবা ফাওরকখি। অদুম ওইনমক পুন্নমক লাকশিন্দুনা মহাক্না তৌগদবা থৌদাংশিং অদু পাঙথোক্লবা লেপ্লি। অহোংবা পুরকপা হায়বদু তঙাই ফদবা অমনি। ৱেহনা হায় লিবেরিয়াগী কোনুং মোনরোভিয়াগী মতাইদা লৈবা স্লমশিং ফগৎহনবা হায়বদু তঙাই ফদবা অমনি। মহাক অফ্রিকা ফুটবোলগী লমদা শান্নরোই অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিবা মীওইনি। মদুগী মতূং ইং ২০০২ দা মহাক রাজনিটিদা চঙলকখি। লোয়ননা লিবেরিয়া পার্লিয়ামেন্টকী সিনেটর ওইনা থৌ পুখি।

লিবেরিয়াগী ফুটবোল শান্নরোই অমনা লৈবাক অদুগী লুচিংবা ওইরকপদা মায়কৈ কয়াদগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লরক্লি। ১৯ শুবা চহী চাদগী লিবেরিয়া য়ু এস কী মখূত্তগী মনীং তম্লকখিবনি। মতম অদুদগী হৌনা মীখল পাঙথোক্তুনা লাকখি।

ইং ১৯৪৪ দা অহানবা ওইনা লৈবাক অদুগী শক্তি পায়ননবগী মীখল পাঙথোকপা হৌখ্রবনি। জোর্জ ৱেহনা মীখল অসিদা চাওনা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইননবগী তাঞ্জা ফংলে। ৱেহনা মীখলগী মতমদা দিমোক্রেসিগী ওইবা অহোংবা অমা পুরক্লবগী পান্দমদা ভোট খোমখি। লোয়ননা নহা ওইরিবা মীওইশিং অহোংবা অদুদা মায় ওনশিল্লক্লবা হায়জখি।

হন্দক লৈবাক অদুদা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা জোর্জ ৱেহনা য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা মায় পাকখি। লুচিংবা অদুনা মায় পাকলকখিবদা নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা লম্বীদা থোক্লক্তুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

# য়েমেন ৱার ঃ সাউদিনা লুচিংবা কাঙবুনা ষ্ট্রাইক চখবদা নোংমতদা মীওই ৬৮ শিখ্রে

**সানা, দিসেম্বর ৩০ ঃ**
সাউদিনা লুচিংবা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা চৎলিবা চয়োল অসিদা এয়ারষ্ট্রাইক চখবদা মীচম ৬৮ শিখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরকখি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না সাউদিনা লুচিংবা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা নোংমতদা এয়ারষ্ট্রাইক অনীরক চখখি। মদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহনখি হায়রি।

হ্যুমেনিটরিয়েল কো ওর্দিনেটর জেমি মেক গোলদ্রিক্লা হায়, চুঙশিন্নবা কাঙবুনা অহানবা ওইনা টাইজ প্রোভিন্সকী মী চিনবা কৈথেন অমদা এয়ারষ্ট্রাইক চখরকপদা মীওই ৫৫ শিখি অদুগা অনীশুবা ওইনা হুদৈদা প্রোভিন্সতা এটেক্ট চখরকপদা ইমুং অমগী মীওই ১৪ শিখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মেক গোলদ্রিক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা য়েমেন্দা থোক্লিবা সিভিল ৱার অদুদা মীওইবগী হক য়েংবা লৈত্রি। মীচমশিংনা লৈবা মফমশিংদা এটেক্ট কয়া চখরক্তুনা পুন্সি কয়া মাঙহনখি। য়েমেন্দা থোক্লিবা লৈঙাক অমসুং হাউথি রিভেলশিংগী লাল অদুদা সাউদিনা লুচিংবা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা খূৎ থিংজিন্দুনা এটেক্ট চখবদা মীওই ৮,৭৫০ শিখ্রে অদুগা মীওই ৫০,০০০ না অশোক-অপন নংহনখ্রে।

ইং ২০১৫ গী মার্চ থাদগী য়েমেন্দা হাউথি রিভেলশিংগী খোঙজং চঙশিল্লকপা হৌখি। লৈবাক অদুদা খূৎ থোক্লবা অমসুং চুঙশিন্নবা কাঙবুনা ব্লোকেট কয়া থমজিল্লকপনা মরম ওইরগা মীওই মিলিয়ন ২০.৭ নীংথিনা চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী তমথিবা চাক তাংবগী থৌদোক লৈবাক অদুদা থোক্লি। মদুতা নত্তনা লালগী চৈথেঙ ফংলবা লৈবাক অদুদা কোলেরা শন্দোরক্তুনা মীওই ২, ২২৭ শিহনখ্রে।

এপ্রিল থা ফাওবদা মীওইশিং অদু শিখিবনি হায়বগী রেকোর্দ ফংবা ঙমখ্রে। য়েমেন্দা নুমিৎ ১০০০ চূপ্না সিভিল ৱার থোকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়া চরা হেন্দুনা লৈরি। লৈবাক অদুদা লেপ্পা লৈতনা খূৎ থোক্লবা অমসুং এটেক্ট কয়া চখরকপনা মরম ওইরগা মীচম কয়া খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

হ্যুমেন রাইটচ কম্মিসনগী রিপোর্ট মতূং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ৫৪ দি অঙাংশিংনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মী চিনবা টাইসকী কৈথেল অমদা এয়ারষ্ট্রাইক চখরকপদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখি। লোয়ননা মীওই ৫৪ না শিখ্রে হায়রি।

শোক্লবশিংগী মনুংদা অঙাং ৬ য়াওরি। হাউথি রিভেলশিংনসু অল-হাইমা লমদম খুদুম চন্নবা হোৎনরি। নাকল অমরোমদা লমদম অদুদা শেল কয়া কাপশিল্লকপগী থুদোংচাদবসু মায়োক্লরি। হুদৈদা প্রোভিন্সকী মনুং চনবা অল-তাহাইতা দিষ্ট্রিক্টতা এয়ারষ্ট্রাইক চখরকপদা মীওই ১৪ শিখিবসু লৈখ্রে। হৌখিবা নুমিৎ ১০ নি অসিদা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা এয়ারষ্ট্রাইক চখরকপদা শিখিবা মীগী মশীং পূন্না ১০৯ শুখ্রে হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মীওই ৬৮ শিখ্রে হায়না তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা ফোঙদোক্লরকখিবগী মতাংদা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। চুঙশিন্নবা কাঙবুনা হায়, মখোয়না মীচমশিংদা তার্গেদ তৌখিবা লৈতে। অদুম ওইনমক হ্যুমেন রাটচ ওর্গনাইজেসনশিংনা মীয়াম তিনবা কৈথেল অমসুং স্কুল অমদি হোস্পিটালশিংদা এটেক্ট চখরকখিবা অদু চুঙশিন্নবা কাঙবুননি হায়না মরাল শিরি।

# ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফরবা সবমেরিন আই এন এস কলবারিনা ঈশিং মনুংদগী মিসাইল কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখ্রে



**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ ঃ**
ইন্দিয়ান নেভিনা সবমেরিন শীজিন্নরকপগী চহী ৫০ শুরকপা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। আই এন এস কলবারি হায়না খঙনবা ইন্দিয়াগী অকনবা এটেক্ট চখবা ঙম্বা স্কোর্পেন ক্লাস সবমেরিন ট্রায়েল ওইনা মিসাইল কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখ্রে।

ফ্রান্সনা দিজাইন তৌবা সবমেরিন অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চৎলিবা থা অসিগী অহানবা চয়োলদা ইন্দিয়ান নেভিদা কম্মিসন তৌখিবনি। সবমেরিন অদু মাজাগোন দোক লিমিটেদ হায়না খঙনবা মুম্বাইদা লৈবা জহাজ শাবা কম্পনি অমদা শেম শাখিবনি। মীশি মীনা কয়া নংহনবা ঙম্বা সবমেরিন অদু টাইগর সার্ক হায়নসু খঙনরি।

সবমেরিন অদুগী কেপটেন ঈশিং মনুংদা লুপথনবা য়াথং পীবগা লোয়ননা সবমেরিন অদুনা ঈশিং মনুংদগী এন্টি সিপ মিসাইল কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোকখি। কলবরি ৱিপন সিষ্টেম নৎত্রগা সবমেরিন টেক্টিকেল ইন্টিগ্রেটেদ কোম্বেদ সিষ্টেমশিং অদু সোলরগী মতেঙগা লোয়ননা চপ চাবা পাউ ফংবা ঙল্লি। লোয়ননা ট্রার্গেদতা পালহনবা ঙম্মী হায়রি।

আই এন এস কলবারি মতমগা চুন্নরবা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পুবা নত্তবা খ্বাইদগী ফরবা সবমেরিন অমা ওইরি। সবমেরিন অদুনা ঈশিং মনুংদা লৈখিবা মতমদা খঙদোকপা ঙম্বগী চাং ৱাৎনা লৈরি। সবমেরিন অদুনা অফবা মখলগী খূৎলাই কয়া পুবা ঙম্মী। লোয়ননা ঈশিং মনুংদগী ঈশিংদগী লৈমায় ফাওনা তোর্পেদোশিং কাপ্পা ঙম্মী হায়রি।

মাজোগোন দোর্ক লিমিটেদেনা ইন্দিয়ান নেভিগী প্রোজেক্ট-৭৫ কী মখাদা স্কোর্পেন-সবমেরিন ৬ শাখি। মখা তানা স্কোর্পেন সবমেরিন ৫ প্রোজেক্ট ৭৫ কী মখাদা ইং ২০২০ ফাওবদা খূৎশিন্নগনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াদা সবমেরিন ১৫ লৈরে। মদুগী মনুংদা রুসিয়াগী কিলোক্লাস ভেসিন অমসুং জর্মন ঐস দি দব্লিউ সবমেরিনশিং য়াওই। ইন্দিয়ানা লৈরিবা সবমেরিনগী শক্তি অসিদগী চিনাদা লৈরিবা অদুনা শরুক মরি হেল্লি হায়রি।

অহানবা ওইনা ইং ১৯৬৭ তা কলবারি ইন্দিয়ান নেভিদা খূৎশিন্নখি। মদু ইন্দিয়ান নেভিগী ওইনা অহানবা সবমেরিন ফংবা অমা ওইখি। মদুগী মতূং শেমগৎ শাগৎপগী থবক কয়া চখখি। মতম চঙনা শেম শারবা মতূং ইন্দিয়ান নেভিনা হৌজিক ঈশিং মনুংদগী মিসাইল কাপ্পা ঙম্বা কলবারি সবমেরিনশিং লৈরে হায়রি।

# ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সনা মিগ-২৭ শীজিন্নবা লেপ্পগনি

**কোলকটা, দিসেম্বর ৩০ ঃ**
মিগ-২৭ এম এল এয়ারক্রাফ্ট অরোইবা ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হাসিমারা এয়ারফোর্স বেজদা পাইহনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী ফ্লিটতগী এয়ারক্রাফ্ট অদু অরোয়বা বিদাই পীখ্রে হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরক্লি।

মিগ-২৭ এম এল এয়ারক্রাফ্ট অদু কোদ নেম ওইনা বহাদুর হায়না মিংথোন্দুনা হৌখিবা চহী দিকেট অহুম মথৌ তৌদুনা লাকখ্রবনি। এয়ারক্রাফ্ট অদুনা শীংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া তৌখ্রে। রুসিয়ানা শাবা এয়ারক্রাফ্ট অদু খ্বাইদগী শক্তি লৈবা মালেমগী এয়ারক্রাফ্টশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবনি। পাইলোটনা এয়ারক্রাফ্ট অদুগী মশা চিংথোক-চিংশিন তৌবা ঙম্বগা লোয়ননা মীসন কয়া পাঙথোকপা ঙম্বা এয়ারক্রাফ্ট অমনি।

ইং ১৯৮০ দা ইন্দিয়া এয়ারফোর্সকী ফ্লিক্তা ফাইটর জেট অদু ইন্দক তৌখিবনি। এয়ারক্রাফ্ট অদুনা লৈমায়দা অমসুং নোংথক্তা অতোপ্পা এয়ারক্রাফ্টশিংদা লান্দাবা ঙম্মী। এয়ারক্রাফ্ট অদুদা খ্বাইদগী ফবা খূৎলাইশিং হাপ্পা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ। খূৎলাই কয়া মতম অমত্তদা পুবা ঙম্বগী শক্তি লৈবতা নত্তনা মায়কৈ খুদিংমক উবা ঙম্বা অমদি মফম অমদা হেক্তা বোম থাদবা ঙম্বা, জেরনা লমজিংবা রোকেটশিং কাপ্পা ঙম্বা অমসুং অতিয়াদা লাম্লেংনবা ঙম্বা অমদি অকনবা মওংদা লৈমায়দা এটেক্ট চখবা ঙম্বা এয়ারক্রাফ্ট অমনি।

মিগ-২৭ এয়ারক্রাফ্টনা কার্গিলগী লালফম অমসুং মালেমগী ওইবা থাক্তা থবক কয়া তৌখি। পাইলোটশিংনা স্বিং ৱিঙ্গর অদুবু খ্বাইদগী ফবা অমনি হায়না চাওথোকচবা ফাওরি। লোয়ননা অথুবা মতমদা য়াংবা হেনগৎহন্দুনা খূৎলাই কয়া কাপ্পা ঙম্মী হায়রি।

মিগ-২৭ এম এল এয়ারক্রাফ্ট অদু মখা তানা শেমগত্তুনা লৈবাক অসিগীদমক থবক তৌহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। মিগ-২৭ য়ু পি জি হায়না মিংথোন্দুনা এয়ারক্রাফ্ট অদু যোধপুর বেজদা শেমগৎপগী থবক চখরি। ইস্কৱাদ্রোন ২২ না অরোয়বা বিদায় পিখ্রবা এয়ারক্রাফ্ট অদু পাইদুনা অরোয়বা বিদায় পীরি।

এয়ারক্রাফ্ট অদু ইং ১৯৭১ গী লালফমদসু শীজিন্নখিবনি। লম কয়াদা এয়ারক্রাফ্ট অদু শীজিন্নরি। অদুম ওইনমক ঙসি এয়ারক্রাফ্ট অদু শীজিন্নবা তোক্তুনা বিদায় পীখ্রে। মদুগী মহুত্তা হৌজিক সুকোই ৩০ এম কে আইনা মহুৎ শিল্লগনি। সুকোই ৩০ ফ্লিট অদু গ্রুপ কেপটেন এস এল মহাজন্না লুচিংগনি। মহাক হান্নগী মিগ-২৭ এম এল ফ্লিক্তসু লুচিংলম্বা মীওইনি হায়রি।

# মমা অমনা চহী ১৪ তা ঙাইরিবা মচানুপা অমা শিঙ্গৈবাক্লা কন্দুনা হাংখ্রে

**শিল্লোং, দিসেম্বর ৩০ ঃ**
মেঘলায়াগী খালিস্নোংদা নুপী অমনা মহাক্কী চহী ১৪ শুরবা মচানুপা অমা শিঙ্গৈবাক্লা ফুদুনা হাংখ্রে। খুদোংথিবা থৌদোক অদু চহী ১৪ রোম শুরবা নুপামচা অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবা হোৎনরকপদগী খঙখিবনি।

নুপামচা অদুদা মনা মশিং লৈননবা পীখিবা লুপা ১০ মাঙহনখিবগীদমক মহাক্কী অপোকপী মমানা তমথিনা ফুখি। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা নুপামচা অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ৩ লোম তাবদা লৈখিদ্রে।

ষ্টেট কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল রাইটচসকী চিয়ারপাসন মিনাখরকোঙ্গোনা লৈখিদ্রবা অঙাং অদুগী ময়ূমদা চত্তুনা য়েংশিনখি। পাউ অসিগী মতূং ইন্না নুপামচা অদু মহাক মন্দোমচানসু পরা ফাদবগী তমথিনা ফু চৈবগী থবক চখখি হায়বগী রেকোর্দ ফংবা ঙমখি।

থা ৫ গী অঙাং নাওপুরিবী নুপী অদুনা মহাক্কী মচানুপাবু ফুখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। নুপী অদুনা পোকখিবা অঙাং অনী লৈখিদ্রে হায়বদু খঙবা ঙমখি। লোয়ননা নুপী অদুনা মহাক্কী মচাশিংবু তাথি-তাওইনা তৌবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে।

চহী ১৪ রোম শুরবা নুপামচা অদুনা ইমুং মনুংগী থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি। অঙাং অদুনা মোরনিং স্কুল অমদা মহৈ তম্বা চৎলুরবা মতুং ইমুং মনুংগী থবক কয়া তৌদুনা লাকখি। মহাক্কী মমানা নুমিদাং অথেংবদা হল্লক্ত্রিবা ফাওবা য়ূম অদু মহাক্না পুদুনা লাকখিবনি হায়রি।

# সাইক্লোন ওখিনা সমুদ্রদা লৈরম্বা প্লাষ্টিক টন ৮০ সমুদ্র খোঙবান্দা হুমজিল্লকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ ঃ**
সাইক্লোন ওখিনা কেরলা, গৌৱা, কর্নাটকা, গুজরাট, মহারাষ্ট্রগী সমুদ্র খোঙবানশিংদা সমুদ্রদা তাউদুনা লৈরম্বা প্লাষ্টিক হুন্দোকখাক টন ৮০ রোম সমুদ্র খোঙবান্দা পৈশিল্লকখ্রে হায়না লৈঙাক্লা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ইনভাইরোনমেন্ট (ষ্টেট) মিনিষ্টর মহেস শর্ম্মানা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখিবদা সাইক্লোন ওখিনা মেরিন বাইওদাইৱসিটিদা অকায়বা পীবা অমত্তা লৈতে। মরু ওইনা লক্ষদিপকী কোরেন ওর্গানিজমদা অকায়বা পীবা লৈতে। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা সমুদ্রদা চেন্থখিবা প্লাষ্টিক্কী হন্দোকখাকশিং মহারাষ্ট্র, কেরলা, কর্নাটকা, গৌৱা অমসুং গুজরাটকী সমুদ্র খোঙবানশিংদা হুমদুনা পুশিল্লকখি।



মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা সমুদ্র খোঙবান্দা পুশিল্লকখিবা শীজিন্নদ্রবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অদু টন ৮০ রোম ওইগনি। মহারাষ্ট্রগী সমুদ্র খোঙবান্দা খ্বাইদগী হেন্না প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অদু পৈশিল্লকখি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা হুমজিল্লকখিবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অদু লোয়শিন্নবগী থৌশিল ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি লৈঙাক্লা দাইত্য লৌদুদা চপ চাবা থবক পায়খৎকদবনি হায়খি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা সিকুকুম্বর, ষ্টারফিস, ষ্টোনফিস, পফরফিস, সিৱিট, সিগ্রাস কয়া সমুদ্র খোঙবান্দা হুমজিল্লক্তুনা পৈশিল্লকপা থেঙনখি। সিকুকুম্বরনচিংবা মেরিন ফিসশিং শিদুনা সমুদ্র খোঙবান্দা পৈশিল্লকপা অদুনা চাওনা সমুদ্রগী শরুক্তা অকায়বা থোকহল্লম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

## GAS TODAY

**Imphal LPG Service**
Booking : 04/11/17
Sl. No. upto 35380
Valid : 06/10/17
Stk : 306
Delivery Heinoupok Godown

**Lambodara Indane Service**
Booking : 13/11/17
Valid : 07/11/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 03/11/17
Valid : 25/10/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Haran Valley, Kwakta**
Booking : 27/09/17
Valid : 12/09/17
Stk : 253/36 commercial
Time : 07.30 to 11.30 a.m

**Mahalashmi Indane**
Booking : 23/10/17
Valid : 10/10/17
Sl. No. 201350
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 15/11/17
Valid : 01/11/17
Sl. No. 10109
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 23/10/17
Valid : 10/10/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Nongpok Sekmai Gas**
Booking : 20/10/17
Valid : 29/09/17
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 08/10/17
Valid : 04/10/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Athokpam Gas**
Booking : 21/10/17
Valid : 16/10/17
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 20/10/17
Valid : 16/10/17
Sl. No. 2410
Stk : 586
Time : 07.00 to 11.00 a.m

সনা-সুদোকু -১০৩৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 2 | 8 | 5 | 1 | 9 | 3 | 6 | 4 |
| 5 | 9 | 4 | 6 | 3 | 8 | 7 | 2 | 1 |
| 3 | 1 | 6 | 7 | 4 | 2 | 9 | 5 | 8 |
| 4 | 8 | 3 | 2 | 5 | 1 | 6 | 9 | 7 |
| 2 | 7 | 9 | 8 | 6 | 3 | 4 | 1 | 5 |
| 1 | 6 | 5 | 4 | 9 | 7 | 8 | 3 | 2 |
| 9 | 4 | 7 | 3 | 2 | 5 | 1 | 8 | 6 |
| 8 | 5 | 1 | 9 | 7 | 6 | 2 | 4 | 3 |
| 6 | 3 | 2 | 1 | 8 | 4 | 5 | 7 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1039**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 5 | | | 7 | | 1 |
| | | 4 | 3 | 2 | | 8 | | |
| | 6 | | | | 1 | 2 | | |
| 2 | 7 | | 1 | | | | | |
| 8 | | | 6 | | | 5 | 9 | 4 |
| | 5 | | | | | | | |
| | 4 | | | 5 | 7 | | | |
| | | | | | | | | 3 |
| | | 2 | | 1 | | | | 8 |